

ফুটবোল ষ্টার বালানা কোভিদ-১৯ লোকদাউন মনুংদা মশা ফিট ওইনবা মতম মাঙহন্দনা শাজেল তৌরি

ন্যু দিল্লি, মে ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা প্রোফেসনেল লীগ টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙল্লিবী অদুগা এসিয়াগী ওইনসু স্কোটলেন্দগী নুপীগী মমিং লৈরবা ক্লব রেঞ্জরস এফ সীদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারিবী ঙাঙোম বলানা স্কোটলেন্দদা লৈনা লোকদাউন মনুংদা মশা ফিট ওইনবা মতম মাঙহন্দনা শাজেল তৌরি।

মশাগী চহী ২৯দা ঙাইরিবী ঙাঙোম বলানা স্কোটলেন্দগী রেঞ্জরস ফুটবোল ক্লবতা থা ১৮গী ওইবা কোন্ট্রেক্ট অমা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা খূৎয়েক পীনখিবদগী স্কোটিস ৱিমেন্স ফুটবোল লীগতা রেঞ্জরস এফ সীগী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা ফুটবোল মশান্নগী মীয়াম্না পাম্নরিবা জর্সি নম্বর ১০ ফংদুনা শান্নবা হৌখি।

মহাক্না শরুক য়ারিবা রেঞ্জরস এফ সী ফুটবোল টিম অদুনা সিজন অদুগী মেচ মরি শান্নবা মপূং ফাদ্রিঙৈদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদা শান্নবগী হীরম খুদিংমক লেপখিদুনা মখা তাবা লীগ টুর্নামেন্ট অদুগী মেচশিং সস্পেন্দ তৌখি।

ঙাঙোম বলা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী লম্দা নেসনল থাক্তা শান্নবা টুর্নামেন্টশিংদা খ্বাইদগী পাঙ্গল য়াম্না চনবা ঙমখিবী শান্নরোয়নি। শান্নরোয় অসিনা মশাগী চহী শুপ্পগী ১৫ শুরকপদা ইন্দিয়াগী নেসনল সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিমগীদমক্তা শান্নবা হৌখি।

মহাক্না ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা গোল স্কোরর ওইবদা নত্তনা সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন কপকী টাইটল ইন্দিয়ানা ফংখিবদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাংসু লৌখি।

মসিদসু নত্তনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা তোঙান তোঙানবা এসিয়াগী লৈবাকশিং অমদি অতোপ্পা য়ুরোপকী ক্লবশিংগা ফ্রেন্দলি/এক্সপোজর মেচ শান্নবদা ঙাঙোম বলাগী অচৌবা কন্ত্রিব্যুসন য়াওখি।

ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ হৌদোকখিবদা ঙাঙোম বলা মহাক্কী অচৌবা মফম অমা কন্দুনা শরুক য়ারকখি। মহাক মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব ওইখিবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লবকী মায়কৈদগী শান্নখি।

মহাক্না মখা তানা মণিপুরগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী নুপীগী টিমদা শরুক য়াদুনা ক্লব অদুগী তোঙান তোঙানবা মেচশিংদা মরুওইবা থৌদাং লৌখ্রবা মতুং ফুটবোল মশান্না অসিগী ওইনা ট্রান্সফর অমসুং লোনগী চৎন-কাঙলোন লৈবা মরম্না মতম খরা ঙাঙোম বলানা কৃপসা ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াখি।

কৃপসা ফুটবোল ক্লবনা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স ফুটবোল লীগতা শরুক য়াদুনা অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎলম্লবা মতুং মখা তানা ঙাঙোম বলানা ইন্দিয়াগী নেসনল ৱিমেন্স ফুটবোল টিমগী মরুওইবা শান্নরোয় অমদি কেপ্তেনগী থৌদাং লৌদুনা লৈখ্রবা মতুং মণিপুরগী মহাক্না অহানবা ওইনা শরুক য়ারম্বা মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লবতা শান্নখি।

হায়রিবা মতম অদুদা স্কোটলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব রেঞ্জরস এফ সীগী নুপীগী ফুটবোল ক্লবকী স্কাউটিং টিমনা ইন্দিয়াদা লাকপদা ঙাঙোম বলাগী মশান্না উবদা চয়োল অমগী স্কাউটিংগীদমক কৌখি। মদুদা মায় পাক্তুনা ঙাঙোম বলানা ক্লব অদুগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় অমগী থৌদাং লৌদুনা জর্সি নম্বর ১০গী থৌ পুরি।

মহাক্না হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ লোকদাউন লৈরিঙৈ মনুং অসিদা মশা ফিট ওইনবা মহাক্কী কাদা তোঙান তোঙানবা শাজেল কয়া অমা চথবগী ভিদিওশিং অদু থাগৎলকখি। মহাক্না চৌক্রিদা ফমদুনা বোল শান্নবদা খ্বাইদগী মরুওইবা খোঙগী পাঙ্গল হেনগৎহন্নবা অরূম্বা পোৎ খরা থাঙ্গৎতুনা চাং নাইনা শাজেল চথরি।

মহাক্কী কাদা লৈনা লৈনা চথবা শাজেলশিং অদু অতোপ্পা শান্নবগী লম্দা লৈরিবা মীওইশিং নৎত্রবসু মশা ফিট ওইবা পাম্বা মীওইনা মশা মশাগী য়ুমদগী হেন্দোক্তুনা কা মনুংদা ইচম চম্না শাজেল তৌবা য়াবনি হায়বা অদু উৎখি।

স্কোটলেন্দগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা শান্নগী ট্রেনিং সেন্টরশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদবা মরম্না শান্নবগী ইভেন্ট পুম্নমক লোকদাউন মনুং অদুদা সস্পেন্সন অমসুং মেচশিং য়ৈথোক্লি।

মরম অসিনা শান্নরোয়শিংনা মশা মশাগী ময়ুমদা লৈরিবা অফংবা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা মশা ফিট ওইননবা শাজেল কয়া চথবদা শরুক য়ারিবী ঙাঙোম বলানা চৌক্রিদা ফম্না ফম্না মশা ফিট ওইনবা হোৎনরি হায়খি।

নেসন্স কপ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট

মরিশুবা রাউন্দদা চাইনাগী মখূৎতা ইন্দিয়াগী টিম মায়থীবা নংখ্রবা মতুং মঙাশুবা রাউন্দদা রসিয়াগা দ্রো চৎখ্রে

FIDE | Chess.com
ONLINE
NATIONS
CUP

8
7
6
5
4
3
2
1
A
B
C
D
E
F
G
H

ন্যু দিল্লি, মে ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী চেছ মশান্নগী মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসনগী মখাদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা নেসন্স কপ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী মরিশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিম চাইনাগী মখূৎতা মায়থীরবা মতুং মঙাশুবা রাউন্দদা রসিয়াগা শান্নবদা দ্রো চৎখ্রে।

মালেমগী ওইবা টিম চেছ টুর্নামেন্টকী ওনলাইনদা পাঙথোকপা অহানবা চেছ টুর্নামেন্ট ওইরিবা অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিমনা চাইনাগা লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী অহানবা গেমদা চাইনাগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ঈ এল ও রেটিং পোইন্টতা ২৮৩৬ ফংলিবা গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেন অমসুং ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৭৫১ ফংলিবা গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দগা শান্নবদা ঙন্না দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি। মদুগী মতুংদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর ৱাং হাওনা ইন্দিয়াগী গুজরাথি ভিদিদকা লম্বা তৌনবদা অমুবা মচু পায়রবসু গুজরাথিবু শুপ্নগী ২৯শুবা মুভতা থোইদুনা পোইন্ট ১.৫-০.৫দা মাঙজিল থাখি।

মখা তারকপা মরিশুবা রাউন্দগী মেচ অনীদা চাইনাগী য়াঙ্গি য়ু অমসুং ইন্দিয়াগী পেন্টালা হরিকৃষ্ণ মুভ ৩৩দা দ্রো চৎখি। মদুগী মখা তারকপা মরিশুবা মেচতা ইন্দিয়াগী কোনেরু হম্পি অমসুং চাইনাগী য়িফান হৌ দ্রো চৎখিবদগী চাইনানা ২.৫-১.৫দা থোইখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়ানা রসিয়াগা লম্বা তৌনখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গুজরাথি ভিদিদকী মহুত্তা বি অদিবন শান্নখি। অদুগা কোনেরু হম্পিগী মহুত্তা দ্রোনাভালি হরিকা শরুক য়াখি।

লৈবাক অনীগী অহানবা মেচ অদু ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ওইরিবা বিশ্বানাথন আনন্দনা রসিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় নেপোমনিয়াচিগা শান্নবদা অঙৌবা মচু পায়রগা য়াম্না ঙন্না ১৭শুবা মুভতা গেম অদু থোইখি।

ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী মাঙজিল থাদুনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী পেন্টালা হরিকৃষ্ণ অমসুং রসিয়াগী ভি অর্টিমেভ লম্বা তৌনখি। মদুদা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৭৬৯ ফংলিবা অর্টিমেভনা ইন্দিয়াগী পোইন্ট ২৬৯০ ফংলিবা হরিকৃষ্ণগা লম্বা তৌনরকপদা মুভ ৪৫দা থোইদুনা ১-১দা লৈনখি।

অহুমশুবা গেম অদু ইন্দিয়াগী বি অধিবন অমসুং রসিয়াগী সর্গে কর্জাকিন লম্বা তৌনখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অধিবননা অঙৌবা মচু পায়রগা এটেক চথখিবা অদু মশান্না অসিগী কাঙলোনগী অহৌবা মুভ ৩০ য়ৌদ্রিঙৈদা শুপ্নগী মুভ ২১ য়ৌরকপদা মায় পাকপা য়াবগী লম্বেল উনখিদবা মরম্না দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

ইন্দিয়া অমসুং রসিয়াগী মরিশুবা রাউন্দ অদুদা পোইন্ট ১.৫-১.৫দা মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং অরোইবা অমদি মরিশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভারি হরিকা অমসুং রসিয়াগী নুপীগী গ্রান্দমাষ্টর ওলগা গিরিয়াগা লম্বা তৌনখি।

ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৪৭১ ফংলিবী রসিয়াগী ওলগানা অঙৌবা মচু পায়রগা ইন্দিয়াগী রেটিং পোইন্ট ২৪৫০ ফংলিবী দ্রোনাভালিগী মায়কৈদা এটেক চথখি। মেচ অদু য়াম্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনবা ঙমখ্রবসু শান্নরোয় অনীনা মখোয় মখোয়গী পোরমশিং অদু অহেনবা অমদি খুদোংচাবা ফংবগী লম্বেল উরক্তবদগী ৩৮শুবা মুভতা দ্রো চৎপদা য়ানদুনা লৈবাক অনী ২-২দা লৈখি।

নেসন্স কপ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা চাইনানা পোইন্ট ৯ ফংলগা টিম তরুক্কী কোম্পিটিসন অসিদা মাঙজিল থারি। রসিয়া, য়ু এস এ অমসুং য়ুরোপ পোইন্ট ৫/৫ ফংমিন্নরি। ইন্দিয়া অমসুং রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ডগী টিম পোইন্ট ২/২ ফংলি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরুকশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়ানা য়ু এস এগা লম্বা তৌনগনি। মকোক থোংবা চাইনাগী টিমনা রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ড টিমগা লম্বা তৌনরবা মতুং রসিয়াগী টিমনা য়ুরোপকী টিমগা থেংনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক্স ক্কালিফাই ওইরবা হোক্কি টিমগী শেম শাবগী মতাংদা থা অসিগী ১৩দা অরেপ্পা ৱারোল অমা খন্নগদৌরি

ন্যু দিল্লি, মে ০৭ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক গেমস জপাননা য়ুম্বু ওইরগা টোকিও সিটিদা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু চহী অমা য়ৈথোক্তুনা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না মতম য়ৈথোকখ্রবা মতুং ওলিম্পিক গেমস অদুগী হোক্কি মশান্নদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম অনীমক ক্কালিফাই ওইদুনা লৈখ্রবা মতুং টিম অসিগী শেম শাবা কেম্প অদু মখা তানা চথনবগীদমক থা অসিগী ১৩দা কুপ্না খন্নরগনি হায়খি।

হৌজিক হৌজিকমক ইন্দিয়াগী কর্নাটকাগী ষ্টেটকী কোনুং বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কি টিমগী শান্নরোয়শিং কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা অতোপ্পা মফমদা হায়দোকপা য়াদনা লৈরি।

শান্নরোয়শিং অসিনা মশা মশাগী ওইবা ইন্দিভিজুএল ৱর্কআউট চথদুনা মশা ফিট ওইননবা শেম শারি। হোক্কি ইন্দিয়া কোংগ্রেসকী মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্তুনা ওলিম্পিক্সকীদমক ক্কালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী নুপী অমসুং নুপাগী হোক্কি টিমনা শেম শানবগী কাংলোনশিং অদু মপুং ফানা পীননবা থা অসিগী ১৩দা হোক্কি ইন্দিয়া অমসুং লৈঙাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি।

মীফম অদুদা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদবা নেসনল হোক্কি চেম্পিয়নশিপকী মতাংদসু নৈনখি। পনবা য়াই, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা লৈবাক অসি শীনবা থুংনা চহীসিগী মার্চ ২৫দগী থমখিবা লোকদাউননা শান্নবগী হিরম খুদিংমক পন্দুনা লৈরিঙৈ অসিদা হোক্কি ইন্দিয়ানা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনকী মকোক নরিন্দর বত্রা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মেম্বর য়ুনিটকী মীহুৎশিংগা লোয়ননা কুপ্না খন্নরবা মতুং মশান্না অসিগী লেমহৌরিবা টুর্নামেন্টশিং অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়খি।

সাইনা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন অমসুং নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনগীদমক্তা ষ্টেদিয়ম পুম্নমক লেম্না শীজিন্নহনগদৌরি

भारतीय खेल
प्राधिकरण
sports
authority of
india

ন্যু দিল্লি, মে ০৭ (এজেন্সী):

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)না তোঙান-তোঙানবা লৈবাক অসিগী মফমদা লৈরিবা ষ্টেদিয়মদা লৈরিবা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) অমসুং নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন (এন এস এফ)না তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টসকী ইভেন্টশিং অমসুং ট্রেনিং/কেম্প পাঙথোকপদা শেল অমত্তা লৌররোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুনা মখা তারদুনা ষ্টেদিয়মশিং অদুদা শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংনা চান-থক্নবগী শেনফম য়াওদনা অতোপ্পা চংগদবা ষ্টেদিয়মবগী হিরম খুদিংমক লেম্না শীজিন্নবা য়াহনগদৌরিবনি।

ষ্টেদিয়মশিং অদুদা শান্নবগী ইভেন্ট পুম্নমক শীল লাংলিবা কাংবুনা চানবগী পোৎলমশিং শান্নরিঙৈ মতমদা মশানা পুথোকচগদবনি। সাইগী মায়কৈদগী মৈ, ঈশিং, শেংদোক-খোতোকপা অমসুং লৈফমগী খুদোংচাবা পুম্নমক লেম্না পীগদৌরি।

মফম অসি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থা অসিগী ৫দা থোকখিবা ওর্দর অমনা খঙহল্লকপনি। লৈঙাক্না হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদা সাইগী মখাদা লৈরিবা ষ্টেদিয়ম অমদি ট্রেনিং সেন্টর খুদিংমক্তা তোঙান-তোঙানবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন অমদি ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী পাঙথোকপা ইভেন্ট পুম্নমক লেম্না পাঙথোকহনগনি হায়খিবনি।

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা থমখিবা শান্নবনা লৈবাক অসিদা হিংনবগী লম্বেল অমা ওইহনগদবনি হায়বা ৱাফম অদুগী মতুং ইন্না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা থবকশিং অসি লৌখৎলকপনি হায়না ওফিসল অমনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোরকখি।

ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লোইখ্রবা মতুং শান্নবগী ওর্গনাইজরশিংনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংবু মতেং পীননবগী অচৌবা কাংলোন অমা ওইরগনি হায়খি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সেক্রেটরী রোহিত ভারদ্বাজনা খুৎয়েক পীবা চেরোল অদুনা ফোঙদোরকপনি।

ঙসিদগী এন বি এগী শান্নরোয়শিংনা টিমগী ট্রেনিং সেন্টরশিংদা মশা মথন্তা ৱার্কআউট তৌবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে

NBA

ন্যু য়োর্ক, মে ০৭ (এজেন্সী):

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না চৈথেং পীরিবা লৈবাক য়ু এস এদা খ্বাইদগী পাম্নবা মশান্না অমা ওইরিবা বাসকেট বোলগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা এ বি এগী ট্রেনিং সেন্টরশিংদা শান্নরোয়শিংনা মশা মথন্তা ৱর্কআউট তৌবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

খোঙথাং অসি এন বি এ টিমগী লৈরিবা ট্রেনিং সেন্টরশিং অদুদা ষ্টেট অমসুং লোকেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯ লোকদাউনগী অথিংবা খরা কোমথোকপা মফমশিংদা ওইগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, চহীসিগী মার্চ ১২দা এন বি এগী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা উতাগী শান্নরোয় রুদি গোবর্ত কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরকপদগী কুমজা ২০১৯-২০গী এন বি এসিজন অদু লেপখিবনি।

থা অনী হেন্না এন বি এগী মেচশিং লেপ্লুরবা মতুং য়ু এস এ লৈঙাক অমসুং তোঙান-তোঙানবা লৈবাক অদুগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা এন বি এগী টিমশিং লোয়ননা লোকেল ওথোরিটিগা য়ান্নবা পুরক্লুবা মতুং অমদি হকশেলগী ওইবা গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী ক্লবকী ট্রেনিং সেন্টরশিংদা অতোপ্পা মীওই য়াওদনা মশা মথন্তা ৱর্কআউট তৌবা য়াগনি হায়না ৱারেপ লৌরকপনি।

উটা জেজ হায়না খঙনরিবা মমিং লৈরবা এন বি এগী টিম অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট দেনিস লিনসেনা ফোঙদোরকপদা লৈঙাক অমদি এন বি এগী ওফিসলশিংনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা য়াম্না অপেনবা ফাওই হায়খি।

শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী কম্পিটিটিব ওইবা মেচশিং শান্নবা হৌদ্রবসু তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিং অসিগী ট্রেনিং সেন্টরদা মতম খাইদোক্তুনা মশা মথন্তা সোসল দিষ্টেন্সিং থম্লগা ৱর্কআউট তৌবা য়াহনবগী কাংলোন অমা থম্লকপা অসিদা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদা অচৌবা থৌনা অমা পীরগনি হায়খি।

এন বি এগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিং মখোয় মখোয়গী ট্রেনিং সেন্টরদা ৱর্কআউট তৌবগী মতম অদু লৈঙাক্না লেপখ্রবসু থেংথবা অমদি ঙনখৎপগী ৱাফম অদু ক্লবশিং অসিনা লেপচগদৌরি।

লুপা লাখ ১৫গী মতেং পীখ্রে

বেঙ্গালুরু, মে ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী কর্নাটকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা য়ুনাইটেদ কর্নাটকা চেছ এসোসিএসন অমসুং মোবাইল প্রেমিয়র লীগনা লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ‘চেকমেট কোভিদ’ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট পাঙথোকখিবা অদুনা কর্নাটাকা চীফ মিনিষ্টস কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ ১৫গী শেলগী মতেং পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদু থা অসিগী ২ অমসুং ৩দা পুন্না শান্নরোয় ১৯,২৪৫না শরুক য়াখি হায়না ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

গ্রান্দমাষ্টর অনকিত রাজপরাননা টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা নুপীগী কাংলুপ্তুনা গ্রান্দমাষ্টর ভক্তি কুলকরনিনা টাইটল ফংখি। চহী ৬০ মথক্কী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা শকুন্তালা দেবীনা মকোক ওইখি। ষ্টেট অদুদা পাঙথোকপা ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অদুদা পুন্না গেম লাখ ২.৩৭ শান্নখি।

কর্নাটকাগী স্পোর্টস মিনিষ্টর সি টি রবিনা ফোঙদোকখিবদা লোকনাউন মনুংদা চেছ মশান্নগী মায়কৈদগী পীরকপা মতেং অদু য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওই হায়খি।

চেলেঞ্জ কপ ফুটবোল পাঙথোক্লরোই

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস):

চহী খুদিংগী মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা পাঙথোকপা ভেটরান চেলেঞ্জ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২২ শুবা এদিসন পাঙথোক্লরোই হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী এস সুরজিৎনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা শান্নবগী থবক থৌরম পুম্নমক লেপহনখ্রবা মতুং মণিপুরদসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরকপা চৎনা-কাংলোনশিংগী মতুংইন্না চেলেঞ্জ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্লরোই হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াদুনা লাকখিবা অমদি শরুক য়াগনি হায়না শেম শারিবা ক্লব, এসোসিএসন অমসুং য়ুনিটশিংনা খুদোংচাদবা অসিনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্লোইদৌরিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ꯊꯕꯛ ꯐꯪꯅꯕꯒꯤ ꯄꯥꯎ /EMPLOYMENT NEWS

☞ Thoubal, Kakching, Nambol, Sekmai, Samurou অমসুং Imphal Branch (H.Q) গা খ্বাইদগী নক্লনা লৈবা 20 to 28 yrs তা লৈবা Office Supervisor (Graduate Computer Knowledge) 2/2 পামজৈ।

☞ 18 to 28 yrs তা লৈবা Car Driver (Unmarried) অমসুং Local Tata Driver (23 to 38 yrs) 2/2 পামজৈ।

☞ Tera Bazar অমসুং Shamurou Bazar গা নক্লনা লৈবা চেক Mistry অমসুং Jugali 3/3 পামজৈ।

Please Contact:- **L. Rammo**
# 8787727402

HL/B/6099/23 April to ...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com